HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





থাখায় অমগী মনুংদা মণিপুরদগী অসাম রাইফলসশিং লৌথোকখিগদবনি হায়না পাউমীশিংদা লাউথোকখিবা মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপ (মাকপাল) গী জেনরেল সেক্রেটরি য়ূম্নাম ইবেয়াইমা অমসুং অতৈ থৌমীশিং


থম্মোয় পাউদম : পোলিটিকল দিমান্দ অমদি শেম-শাসি ঐখোয় ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ অরি-অনৌ খরা-খরা শিন্নবগী থবকসিদি চুমগদ্রা খল্লি

লৈকায় অমা ওল্ড এজ হোম অমা ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ য়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈনবা হোৎনবদা তেংবাঙগনি : দি সী

ইংলন্দগুম্না টেক্স থীহল্লগা সোমালিয়াগুম্না সার্ভিস পীরিবসি ... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ য়ু সী সী ককচীং অমসুং কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী ৱাবগাই ...


কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন দিষ্টর্ভেন্স ফ্রী এদ্যুকেসনেল জোন দিমান্দগী মীৎয়েং মখাদা মহৈরোয়শিংনা পাক্তক্লনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা দেলটা এদভান্স স্কুলগী মহৈরোয়শিং





Vol. 48, Issue No. 115 | ইরাই, ইঙেনগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, July 26, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## কাংমোং মনীং : কুকি টেররিষ্টশিংনা লৌতাংশঙ মৈনা তুম্না থাদোক্লক্লে



**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী মে ৩দগী লেপ্তুনা চথরক্লিবা লান অসি হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা লোইশিনবা নাইদ্রবসু লানগী থৌদোকশিং খরা নেমথরক্লে হায়দুনা নম্বোল পি এসকী মনুং চনবা অদুগা ৱারোইচীং কুকি খুলগসু নক্কনা লৈবা কাংমোং মনীংগী মফম অমদা মহৌশাগুম্না চঙশিন্দুনা এঞ্জাং-নাপী থাবা য়াওনা লৌ উবা অমসুং ঙানচিংবা ফাবগী থবক্তা শীজিন্নবগী শাদুনা থম্বা লৌতাংশঙ অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা মৈনা তুম্না থাদোক্লক্লে।


থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংগা ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুম্থায় চৎলকপদা থোকখিবনি। অহিংগী মতমদা থোকখিবা থৌদোক ওইবনা লৌতাংশঙ অসিগী মপূ য়াওনা অনকপদা লৈবা মীওই ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### অসাম রাইফলসকী মায়োক্তা মীয়াম পূন্নমক লেপ্লক্লব্রা

## মণিপুরদগী এ আর লৌথোকখিনবা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱাকৎলগনি : কোকোমি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা চথরক্লিবা লান অসি লোইশিন্নবা ষ্টেট অসিদগী অসাম রাইফলসশিং লৌথোক্কদবনি হায়বা দিমান্দগা লোয়ননা কোকোমিনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরদা থা অসিগী মনুংদা অইবা চেরোলশিং পীশিল্লগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লম্ফেলদা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা কোওর্দিনেটর সোমোরেন্দ্রো থোকচোমনা হায়, মণিপুরদা থোরক্লিবা চহী ১গা থা ৪ মপূং ফারবা লান অসিদা অসাম রাইফলসশিংনা চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদা লেপ্তুনা মতেং পাংলি হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম্নি। ঙসি ফাওবদা চথরক্লিবা লান অসিগী ফীভমদি অহোংবা লৈত্রি। মরম অসিনা মীয়াম্না লান অসি কূপ্না নৈনবা মথৌ তারে। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মতাংদা কূপ্না খঙলবা হান্না সী আর পি এফকী এ দি জি ওইরম্বা পি কে মিশ্রানা হন্দক্তা ফোঙদোরকখিবা




ৱাফমশিং কূপ্না নৈনবা মথৌ তারক্লি।

পি কে মিশ্রানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা মতম শাংনা দিপ্লোই তৌরক্লিবা পেরা মিলিটরি ফোর্স অমনা কুকিশিংগা নক্না লোয়নবনা মখোয় পূন্নমক লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা লান অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই হায়খিবনি। মহাক্না হায়রিবা পেরা মিলিটরি ফোর্স অসি অসাম রাইফলসপুনি হায়বসি ইফোং ফোংনা মীয়াম্না অদুমক খঙবা ঙম্মী হায়খি।

চথরক্লিবা লান অসিদা এ আরনা কুকিশিংদা ফোংনা মতেং পাংবা, মখোয়গী মমাঙদা কুকিশিংনা নোংমৈ কাপ্পনচিংবা থৌদোক কয়া থোকহনবা ঐখোয়না উখ্রে। অদুবু মীতৈশিংগী ওইনদি এ আরগী থৌওংশিং তাইওন্নবা ওইরি। পি কে মিশ্রানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### কঙ্গনা রানোটপু বি জে পিগী এম পি ওইনা খনখিবা ইলেক্সন হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরক্লে




**ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৫ (এজেন্সী) :** হৌখিবা এপ্রিল ১৯দগী তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা হিমাচল প্রদেশকী মান্দি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী টিকেটতা মায় পাক্লকখ্রবী এম পি কঙ্গনা রানোটপু এম পি অমা ওইরে হায়না লাউথোকখিবা রিজল্ট অদু হিমাচল প্রদেশ হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরকখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি মীখল অদুদা মীরেপ ওইনবগীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌখিবা লায়াক রাম নেগি কৌবা মীওই অমনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্না ৱাকৎলকপগী মতুংইন্না মহাক হান্না ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী এমপ্লোয়ী ওইরম্মী। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## প্রাইম মিনিষ্টর উনবা মতম ওইরে, শোয়দনা উনগনি হায়রম্লগা চীফ মিনিষ্টর দেল্লী চৎখ্রে

### কুকি এম এল এ ১০ এসেম্লি মীফমদা শরুক য়ারনবা ঐখোয়না ইনভাইট তৌরি, শরুক য়াফম থোকই : চীফ মিনিষ্টর



**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা থোক্লিবা চহী অমা হেল্লক্লবা লান অসিগী ৱাথোক অমদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী ৱারোইশিন অমা খুদক্তা পুরক্নবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরদা শুংশোয় শোয়দনা তকশিল্লগনি হায়রম্লগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন ঙসি নুংথিল পুং ১.৫০ তারকপদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী মহাক্কী পর্সনেল সিক্যুরিটি ওফিসরগা লোয়ননা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা থা অসিগী ২৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা নিতি আয়োগকী মীফমদা শরুক য়াবগা লোয়ননা মীফম অসি লোইরগা পাঙথোক্কদবা চীফ মিনিষ্টরগী কনক্লেভ অমদসু শরুক য়ারুনবগীদমক মহাক্না ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা ঙসি অয়ূক মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মণিপুরগী এদ্যুকেসন সেক্টর

## মহৈরোয়শিংনা এদ্যুকেসন ফ্রী জোনগী দিমান্দ তৌরি ওজাশিংনা শেলগী দিমান্দগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লি




**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন দিষ্টর্ভেন্স ফ্রী এদ্যুকেসনেল জোন দিমান্দনা থা অসিগী ৫দগী হৌরদুনা মণিপুরগী এদ্যুকেসন সেক্টরদা মখল অমত্তগী অয়েৎ অপন পীবিরক্নু হায়দুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা হন্দক চহীগীসু থা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## য়ুনিয়ন বডজেটতা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা য়াওরক্ত্রে : ঈ আর দি ও

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনদ্রবদি ওইরিবা ফীভমসিদা পোলিটিকলগী ওইনা পংঙাঙ ঙাঙনরবসু, লাউনরবসু য়েলহৌমী ওইরবসু হিংবদা খরদি ৱারগনি হায়না ইকনমিক এন্দ রিছোর্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ঈ আর দি ও) গী জেনরেল সেক্রেটরি শান্ত নহাকপমনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা



মহাক্না হায়, মণিপুরদা লৌ পানবা য়াদনা মাঙলিবা অসিগীদমক য়ুনিয়ন বডজেটতা য়াওরক্কদ্রা খল্লগা য়াওরক্তবসি নুংঙাইতে। মণিপুর অমসুং অৱাং নোংপোক লমদম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্তা অচৌবা থাজবা থল্লম্বদু মখোয়গী এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী থল্লিবা মীৎয়েংদনি। য়াম্না থুনা এক্ট ইষ্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ক্লাইমেট চেঞ্জগী চৈথেংদগী ফৌ পাম্বীদা তীল মখলশিং পাক্তক্লনা তারক্লে, তীলহাৎ হীদাক শীজিন্নবনসু হেন্না অমাঙবা ওইদৌরে

দোনাল্ড সাইরেম

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :**

মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অঙৈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী ফীভম্না ওইহল্লক্লিবা ক্লাইমেট চেঞ্জগী চৈথেং মণিপুরদসু খুদক্তা ফংবমক নৎত্রবসু তপ্না-তপ্না অহোংবা অসিগী মমি তারকপগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবগী তঙাইফদবা লৈরক্লে। ওইহল্লক্লিবা ফীভম অসিগী মনুং চন্না মীওইবগী মরু ওইবা চীঙ্গাক অমা ওইরিবা চেঙ পুথোক্কদৌরিবা লৌউ-শিংউগী থবক্তসু চাউনা শোকহন্দুনা ফৌ পাম্বীদা হান্না তোয়না তারমদবা তীল মখলশিং পাক্তক্লনা তাবা হৌরক্তুনা য়াম্না চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনবা য়াবগী অকিবা লৈরে।

লৌউ-শিংউগী লম্দা ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীরক্লবা চৈথেং অমদি লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পাউচে অসিনা তোঙান তোঙানবা লৌমীশিংগা উনদুনা ৱারী শানরুবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈরাঙ্গোইথোং মাইবম লৈকায়দগী লৌমী হুইদ্রোম সঞ্জিৎ (৫৪) না হায়, লৌমী ঐখোয়না ...মখা লমায় ৬ কলম ২



## মণিপুর লৈঙাক্না রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা অখন্নবা তেংবাঙ পীবিয়ু : অক্কসু

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা চথরক্লিবা ঈরাং অসিনা তম্পাক্কী মফম কয়াদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ইমুং কয়াগী মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা খুদোং চাদবশিংগীদমক লৈঙাক্না মহৈরোয়শিংগী ওইবা অখন্নবা তেংবাঙ পীদুনা অৱাবা কোকহল্লু হায়না ওল খা-কংলৈ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অক্কসু) গী জেনরেল সেক্রেটরি কে এস ঐচ নেসনেলনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

চেরোল অদুদা মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু তুংগীদমক থাজবা থমদুনা মহৈ-মশীন তমহল্লিবনি অদুবু ঈরাং অসিনা হৌজিক্তি ময়ূম-মকৈ লৈহন্দবদা নত্তনা শূফম নোম্ফমসু লৈতবনা মচাশিংগী খনবদা মীৎলু পিরাং কংদ্রি। অসিগুম্বা অৱাবা অসি কোক্লবা মহৈরোয়শিংবু মখা তানা মহৈ তমহন্নবা, পূক্নিংগী অৱাবশিং কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু অমসুং মহৈরোয় খুদিংমক চপ মান্ননা অমত্তা ওইনা মহৈ তমহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

লৈঙাক্না মহৈরোয়শিংদা অখন্ননা পীবা য়াবা তেংবাঙ ওইনা মোবাইল এদ্যুকেসন য়ুনিটশিং হাংদোক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা রেগ্যুলর ক্লাস তৌহল্লু। ওফলাইন অমসুং ওনলাইন ক্লাসকী খুদোংচাবা ফংনবা ওফলাইন দিজিটেল কন্টেন্টশিং য়াওবা অমদি ওনলাইনগী ওইনা টেব্লেটশিং য়েন্থোকপীদুনা ইন্টরনেটকী খুদোংচাবসু ফংহনবীয়ু। টেম্পররি লার্নিং সেন্টর হাংদোক্তুনা লোকল টিচর/ভোলন্টিয়রশিং থমদুনা মহৈ তম্বা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## কুকি এম এল এ ১০ দিসক্কালিফাই তৌবীনবা মালেম থোঙামনা গভর্ণরদা তকশিনখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী লেপ্পা লৈত্রিবা লান অসিগী মায়োক্তা ট্রান্সজেন্দর সোসল এক্টিভিষ্ট ওইরিবা মালেম থোঙামনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ লোম তারকপদা রাজ ভবনদা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকে উনদুনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনরিবা কুকি এম এল এ ১০বু এসেমব্লিগী মেম্বরশিং ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌবীয়ু হায়না তকশিনবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

মহাক্কী ৱাকৎ চেরোল অসিদা থা ১৪ হেল্লক্লবা লান অসিগী ফীভম প্রাইম মিনিষ্টরনা লাক্তুনা য়েংশিনবীরগদবনি, সূগী গ্রাউন্দ রুল থুগাইরিবা কুকি টেররিষ্টশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীয়ু অমসুং তংদু লৈতাবা হঞ্জিলহন্দুনা হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিন্নবা গভর্ণরনা থবক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মণিপুর লৈঙাক্না মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা লুপা লিশীং ২৫/২৫ পীগনি হায়খ্রবসু পীরক্ত্রে, ঐখোয়বু লৈঙাক্না কয়াম কুইনা থাকখিদোইনো : সলাম ননাও

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**

**হকথেংনবা পাউদম**

**জৌ ভেঙ-খুগা তম্পাক্তগী খুঞ্জা অমা**

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি লমহেনবশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা চুড়াচান্দপুরগী জৌ ভেঙ-খুগা তম্পাক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা চহী অদুগী মে ৯দগী বিষ্ণুপুরগী ওল্ড দি সী কমপ্লেক্সতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা সলাম ননাও (৪৫) না পাউচে অসিদা হায়, লান অসি থোক্ত্রিঙৈদা ঐহাক চেক্কী মিষ্ট্রি ওইদুনা য়ূম পুজরম্বনি অদুবু লান অসিনা মরম ওইরগা ইয়ূম-ইকৈ মৈনা তুম্না চাক্তুনা লৈহৌরবা মতুং ঐহাক অমদি ঐহাক্কী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপদগী শূফম-নোম্ফম লৈতবনা পীক্লিবা অহানবা উজবা ইচা অমদি থা নৌরিবী লোয়নবীগী মনিং থুংহনবা ঙমদ্রে। অঙাংনিনা থা খুদিংগী মথক্তা থা নৌরিবী লোয়নবীগীসু মশা শোক্তনবা অফবা মচি ওইবা চীঙ্গাক পীজনীংই অদুবু অমত্তা লৈদুনা পীজবা ঙমদ্রে।



রিলিফ কেম্প অসিগী কম্মিটি মেম্বরশিংনদি মখোয়গী অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবীরি অদুবু ইনাকখুনবা ১০০না লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমদে হায়বগুম্না থোক্লে। কেম্প অসিগী ভোলন্টিয়রশিংসু নুংঙাই য়াইফবা ইমুং লোইনা নত্তবনিনা ময়ূম মকৈ পুরিবনিনা মখোয়না তৌবীরক্তে হায়বগী ৱারৌরুবসু য়াদ্রি। মখোয়না লৈঙাক্তগী করি করি ফংবা য়াই হায়দুনা তান্নবীরগা ইনমেটশিংগী ফনবা অঙম্বা মওংদা চেনবী-চোঙবীরিবা অসিনা ঐখোয়গীসু ৱা তাবীনবা লৈরি হায়দুনা পেন্থোক্তুনা হিংজরিবনি। অদুবু লৈঙাক্কী মফমদদি অদুক্কী মতিক ৱারৌরে। মখোয়সু লান অসি পান্নিব্রা-পামদব্রা হায়বদুদি খঙদ্রে অদুবু ৱারবা, অৱাফমদা তারিবা ঐহাক্কী ইরৈচাগী মীয়ামগী খল্লগা লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীদুনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা লৈরিবা মীয়ামগী তৌগদবা, লৌখৎকদবা থবকশিং অদু অথুবা মতমদা লৌখৎহন্নীংই। অসুম্না চহী অমা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

চাউখৎলকপা হেনগৎলকপনিনা মহাক্কী মফি-মরোলদা ওইরবসু লৈনবা হোৎনগদ্রা, অনা-অয়েক য়াওরকপদা লায়েংনববু হোৎনগদ্রা খনবদা অৱাবা অমা ওইরে। মসিগী

### দিরেক্টরগী য়ূমদা কাপশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা পিশুম নিঙোম লৈরক্তা লৈবা সী এ এফ এন্দ পি দিগী দিরেক্টর অসেম রোবর্টসনগী য়ূম তম্না শকখঙদবশিংনা নোংমৈ মরূ খরা কাপশিল্লম্লে হায়রি। নোংমৈ মরূশিং অদুনা য়ূম অমদি কার অমদা পানখি। পুলিস লাক্তুনা থিজিনবদা এম্পটি কেস খরসু রিকোভর তৌখ্রে হায়রি।

### মফম খঙখিদবা মীওই নম্বুল তুরেলদগী শিনা ফংলে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ২৩গী নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা য়ূমদগী থোকখিবদগী মফম খঙখিদদুনা খোঙ্গুল লীরকখিবা উরিপোক হাওবম দেৱান লৈকায়দগী কোঙ্গ্রাইলাৎপম সুরেস (৩৮) অপোকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### ত্রকনা থোম্বদা নুপী ১ লৈখিদ্রে, মপুরোইবা লায়কন্নরি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ২.৪০ রোম তারকপদা ময়ূমদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তম্না গাড়ী মচা অমদা পূন্না লাকমিন্নখিবা মতৈ-মনাও অহল অনীবু ইম্ফাল পি এস মমাং ওইরপ্না এন ঐচ-১০২ পরিংদা ত্রক এম এন-০৫/সী-১৩৫৪না তুংলোমদগী থোম্বদা মনীংদা তোংলকখিবী খোংমন জোন ৱানদগী নিংথৌজম মনিলৈমা (৬৫) থৌদোক থোকফমদা লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদ্রে। মপুরোইবা এন মুহিন্দ্রোনা শোকপদগী এদভান্স হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে। পুলিসনা ত্রক দ্রাইভর ফাবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবীগী হকচাং রিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখ্রে।

## লোয়শঙ চঙবদা অথিংবা থম্লে : কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৫ :** নিও-ইম্পরেলিষ্ট ইন্দিয়াদা নমতিন তিলহনখিবদগী মখোয়গী সেটিলাইট ষ্টেট অমা ওইহনবনা ঙসিদি ইরমদম মীয়ামগী মরক্তা নোংমা নোংমগী থাজনদবা-নুংশিনদবা হেনগৎলক্তুনা তাবদা তু চুংবা থৌদোক কয়া থোরক্তুনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মমাঙদা মশাগীদা খনবা ফুরুপ অমা ওইনা উহন্দুনা ইকায় ফিরুক খুমহনবা লেপত্রি হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-পিপলস ৱার গ্রুপ (কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি) গী সেক্রেটরি সেন্ট্রেল মীদিয়া কোওর্দিনেটর কমরেদ লেনিন মীতৈনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়, ...মখা লমায় ২ কলম ৩

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫